## সৈত্যভমা মীহাৎঃ

# চেন্নবা অহুম্মক জেলদা থাজিনখ্রে

## জেল কমপ্লেক্সতা নুপীশিং থোমজিল্লকখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ঃ* কুমারি নিঙোম্বম সৈত্যভমা (পেনাও) দেবীগী মীহাৎতা চেন্নবনি হায়বা মীওই অহুম ইরাই নুমিৎতা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং অণ্ডর ট্রাইয়েল প্রিজনর ওইনা জেলদা থাজিনখ্রে।

পুলিস কষ্টডিদগী মখোয়বু কোর্টতা পুথোরকপদা অমদি জেলদা থাজিনখিবদা নুপীশিং থোমজিল্লক্তুনা *"নুপী হাৎপা ফাঁসি তৌ"* ঈরাং হৌরকখ্রে।

মশাগী চহী ৩১ রোম শুরবী 'সৈত্যভমা মীহাৎ' অসিগা মরী লৈননা জেলদা থাজিনখ্রবশিং অদুদি, থঙ্গালখোং সাবল লৈকায়দগী তোইজম জেমস এলাইজ থেসস এলাইজ অবোই (২৭) অপোকপা যুগিন্দ্রো, ইরিলবুং বজারদগী ক্ষেত্রিময়ুম বিজু এলাইজ হোলেন্দ্রো (২৮) অপোকপা ইবোচৌ অমসুং ইরিলবুং মচাহল ময়াই লৈকায়দগী থৌদাম জিবোন (২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা থোইবনি।

ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী কষ্টডিদা লৈরকখিবা মখোয় অহুম্থু পুলিসনা ইরাই নুমিৎকী নুমিৎযুংবা মতুংদা চিফ জুডিসিয়েল মজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখি।

মখোয় অহুম সৈত্যভমা মীহাৎকা মরী লৈননা ফারবা মতুং কোর্ট অসিদা অনিরক পুথোক্লবা মতুং পুলিস কষ্টডি রিমাণ্ড লৌথদুনা ৱাহং-পাউহং চত্থরকখিবনি।

ককৱা সেলুংবা লৈকায়দগী নিঙোম্বম সৈত্যভমা দেবীগী অশিবা হকচাং অদু এপ্রিল ৫ গী নুমিৎযুংবা মতুংদা পুলিস ষ্টেসন অসিগী মনুং চনবা বাশিখোং লৌমানবী লৌকোন লৌয়াই ফাওদুনা চেনবা ঈশিং খোং অমগী মনুংদগী ফংখিবনি।

পুলিস ষ্টেসন অসিনা লৌখিবা এফ আই আর নম্বর ২৪ (৪) ২০১৩ অণ্ডর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সিগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এডিস্নেল এস পি (ওপস) রাজেননা লুচিংবা এস আই টি (স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম) শেমদুনা থিগৎলবা মতুং মথং-মথং ফাগৎতুনা "সৈত্যভমা মীহাৎ" অসিগী লংলা-লংজিন পুথোকখিবনি।

পুলিসনা মীহাৎ অসিদা চেন্নবনি হায়বা মখোয় অহুম্থু কোর্ট অসিদা অহুস্রকশুবা ওইনা পুথোক্তুনা মখোয়গী মথক্তা লৌখৎলিবা আই পি সিগী সেক্সন অসিগী মখাদা জুডিসিয়েল রিমাণ্ড পীবীনবা কেস অসিগী আই ওনা প্রেয়ার তৌখি।

কোর্টনা পুলিসকী প্রেয়ার অদু য়ারদুনা মখোয় অহুম্থু নুমিৎ তরামঙানি জুডিসিয়েল রিমাণ্ড পীখি। পুলিসনা মখোয়বু ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাদা থাজিনখ্রে।

য়ু টি পি (অণ্ডর ট্রাইয়েল প্রিজনর) ওইনা জেলদা থাজিনখ্রবা মখোয় অহুম্মক এপ্রিল ২৫ দা কোর্ট অসিদা অমুক হন্না পুথোক্তুনা মখোয়গী ষ্টেটমেন্টশিং রেকোর্ডিং তৌগনি হায়রি।

মখোয়বু কোর্ট অসিদা পুথোক্কনি হায়বগী পাউ হেক ফংবগা মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা কোর্ট কম্লেক্সতা ঙাইরগা লৈনখি।

ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার-ইন-চার্জ ইন্সপেক্টরনা ইনাওবীনা লুচিংবা তিম অমনা মখোয় অহুম্থু সিক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা কোর্ট অসিদা পুশিল্লকপদা নুপীশিংনা "নুপী হাৎপা মীয়ামদা শিন্নৌ" হায়না থোমজিল্লকখি।

পুলিসনা নুপীশিং অদুবু লাকশিল্লবা মতুং এক্যুইজশিং অদু কোর্টতা পুশিনখি। অদুবু য়াম্না অথুবা মতমদা মখোয়বু কোর্ট অসিগী জুডিসিয়েল রিমান্দ লৌরগা পুথোরকখি।

কোর্ট কমপ্লেক্স অদুদা মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা অকন্নবা খোল্লাউ কয়া লাউশিন্দুনা "মীহাৎপশিং ‸ মীয়ামদা শিন্নবীয়ু, আইন্না পীবা চৈরাক পামদে, শা ওইরবা মখোয়দি মীয়াম মমাংদা ফাঁসি তৌদুনা হাক্কদবনি" হায়না পুলিসকী মখূৎতগী মখোয়বু মুন্নবা হোৎনখি।

কোর্ট কমপ্লেক্স অদুদগী মখোয় অহুম্থু পুলিসনা ঙমদুনা পুখ্রবসু নুপীশিং অদুনা মখা তানা শজিৱা জেল তম্না অমুক চৎখি।

মখোয়বু জেলদা থাজিনখিনবা থৌরাং তৌরিঙৈদা নুপীশিং অদুনা থোমজিল্লক্লগা খোল্লাউ কয়া লাউশিন্দুনা মফম অদুদা ঈরাং হৌরকখি। অদুবু পুলিসনা হৈ-শিংনা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোহকন্দনা মখোয় অহুম জেলদা থাজিনখি।

নিঙোম্বম তোম্বা অমসুং ফজবী দেবী অনিগী মচানুপী তরুক্কী মনুংদা অনিশুবী সৈত্যভমা দেবী অসি রিমসকী পেঠোলোজি ডিপার্টমেন্টকী প্রোজেক্ট অমগী মখাদা জুনিয়ার রিছার্স ফেল্লো ওইনা কন্ট্রেক্ট লৈরিবীনি।

পনবা য়াবদি, জেমসকা সৈত্যভমাগা মরী লৈনৈ। মমান্নবা বিজুনা সৈত্যভমাবু জেমসকী মনাক্তা থিনবীগে হায়দুনা ময়ুমদগী কৌথোক্লগা পুবগী লম্বীদা অনিরক মশা শোক্লবা হোৎনবদা য়াদবদগী বিজুনা সৈত্যভমাবু মহাক্না ইল্লিবা চুনিনা মখৌরি লাকহৎলগা হাৎখিবনি হায়না পুলিসনা ফোংদোকখ্রবনি।